# শিলোং লাজোং এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা নেরোকা এফ সীনা পোইন্ট ২১ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা যূম্বু ওইরিবা নরোকা এফ সীনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট মেঘালয়াগী টিম অমা ওইরিবা শিলোং লাজোংবু মায়থীবা পীরম্লগা পোইন্ট ২১ ফংলগা আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী টিম ১১না শরুক য়াদুনা চথরিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচ অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা নেরোকা এফ সীনা যূম্বু ওইদুনা শিলোং লাজোং এফ সীগা ঙসি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা পোইন্ট অহুম ফংনবগীমক্তা অঙন্বা পাঙ্গল পুথোক্লদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৮শুবা মিনটতা নেরোকানা পেনালটি কিক অমা ফংখি। পেনালটি কিক অদু নেরোকাগী ফোরেন প্লেয়র জপান মচা কাটসুমীনা গোল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা নেরোকাগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। শিলোং লাজোংগী মায়কৈদগীসু নেরোকানা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা শান্নখি। অদুবু মেচকী ২১শুবা মিনটতা নেরোকাগী ফোরেন প্লেয়র কাটসুমি য়ুসানা পাস তৌরকপা বোল অমা ক্লব অসিগী ফোরৱার্দ প্লেয়র জর্সি নম্বর ১২ সিঙাম সুভাসনা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শিলোং লাজোংগী মায়কৈদগী নেরোকানা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকপগী মেচকী ৩১শুবা মিনটতা শিলোং লাজোংগী জর্সি নম্বর ১৩ মিদফিল্ডর নাগ্রেম মহেসনা নেরোকাগী মায়কৈদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা শিলোং লাজোংগী মায়কৈদগী নেরোকাগী গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী হৌনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটকী ক্লব শিলোং লাজোং এফ সীগী মায়কৈদগীসু অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না ফজনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা শিলোং লাজোংগী ফোরৱার্দ প্লেয়র জর্সি নম্বর ৭ ষ্টিভেনসন শোকতুংনা গোল ওন্থোক্তুনা নেরোকা এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোকখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা শিলোং লাজোংগী পেনালটি কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংলবসু ক্লব অসিগী শান্নরোয় ষ্টিভেনসন্না গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে। মিনট ১ কান্নরগা মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয় মালেমঙানবী মীতৈনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু নেরোকানা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাখি। শিলোং লাজোংগী জর্সি নম্বর ৮ নবিন রভানা এসিষ্ট তৌরকপা বোল অমা ফ্রাঙ্কি বুৱামনা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু শিলোং লাজোংনা গোল ২-৩দা অমুক লৈখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা শিলোং লাজোংনা নেরোকা এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

| Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Chennai City | 11 | 7 | 3 | 1 | 25 | 13 | 12 | 24 |
| *2. Neroca* | *11* | *6* | *3* | *2* | *16* | *10* | *6* | *21* |
| 3. Real Kashmir | 10 | 5 | 3 | 2 | 13 | 6 | 7 | 18 |
| 4. Churchill Brothers | 10 | 4 | 4 | 2 | 17 | 10 | 7 | 16 |
| 5. East Bengal | 9 | 5 | 1 | 3 | 17 | 12 | 5 | 16 |
| 6. Mohun Bagan | 10 | 4 | 3 | 3 | 13 | 12 | 1 | 15 |
| 7. Minerva | 10 | 3 | 4 | 3 | 6 | 6 | 0 | 13 |
| 8. Gokulam | 11 | 2 | 4 | 5 | 15 | 18 | -3 | 10 |
| 9. Aizawal FC | 10 | 2 | 3 | 5 | 12 | 17 | -5 | 9 |
| 10. Indian Arrows | 9 | 2 | 1 | 6 | 3 | 13 | -10 | 7 |
| 11. Shillong Lajong | 11 | 1 | 1 | 9 | 13 | 33 | -20 | 4 |

অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# হৌদোকপগী মেচতা আনন্দ এফ সীনা এ স্কৱার পাৎশোইবু মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ হয়েং য়ঙ পোপ্যুলর ক্লব, হয়েলনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগদৌরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট (উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ত্রোফি) ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

টিম ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট (উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ত্রোফি) ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এক্স মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমার, মোইরাং এ সীগী এক্স এম এল এ এম পৃথিবীরাজ, উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঐচ ইন্দ্রজিৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ এগী আনন্দ এফ সী অমসুং এ স্কৱার পাৎশোই লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক এটেক কয়া চত্থনরকখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা আনন্দ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ সোভানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু আনন্দ এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এ স্কৱার পাৎশোইগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা আনন্দ এফ সীগী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

# ইন্টরনেসনল অমসুং নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ কোলকটাদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮ অমসুং ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা টি আই এ (ইন্টরনেসনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ) তা টাইক্বান্দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা মেদল সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা অমদি অসানসোলদা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা লাইতোঞ্জম য়াইফববু অপূনবা লূপ লৈমা কৈথেলনা ৱাংখৈ অয়াংপল্লি লূপকী শঙলেন্দা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ূমলেম্বম মেম্মা অমসুং দাইমন্দ ক্লবকী এদভাইজর কোইজম লুখোইনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপূ ওইদুনা শান্নরোয় অনী অসিবু লৈ পরেং হুক্তুনা ওকখি।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা ৱাংখৈময়ূম মালেমঙানবনা কেদেট গ্রূপকী কেটেগোরিদা সিলভর মেদল অমসুং নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তা লাইতোঞ্জম য়াইফবনা সব জুনিয়রগী কেজি ২২গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইরোং চেশোবদা লৈবা ইরোং ষ্টুদেন্টস এন্দ সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (আই এস এস দব্লিয়ু সী) না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০দগী ১৪ ফাওবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ক্লব অমদি এসোসিএসনশিংনা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। শরুক য়ানীংবা ক্লব অমদি এসোসিএসন্না থা অসিগী ৮গী মমাঙদা ফোর্ম সবমিট তৌরক্কদবনি। এন্ত্রি ফিগী মমলনা লুপা ৫০০নি। অকূপ্পা মরোল মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন অমদি আই এস এস দব্লিয়ু সীগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়না আই এস এস দব্লিয়ু সীগী সেক্রেটরি মোহম্মদ অফটাফ হুসেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর বেল্ট রেষ্টলিং শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ কর্ণাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা থা অসিগী ৬তগী ৮ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী বেল্ট রেষ্টলিং শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি একাদেমি কয়াদগী লাকপা বেল্ট রেষ্টলর নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়াগদৌরিবা নুপী শান্নরোয়শিং অদুদি এন জি পন্দোলা, এস ক্রিটিনা, ঐচ ওলিভিয়া, কে ঐচ তাইবংঙানবী চনু, এ বেমবেম অমসুং এস থোইবীনাওনি।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ চীংখৈঙানবা, টি মাইকেল, ৱাই উমাকান্তা, টি ঐচ প্রিয়ানন্দা, কে ঐচ আর্বিন্দ, টি ঐচ অনিতা অমসুং কে ঐচ থোইথোইবনি। মণিপুর বেল্ট রেষ্টলিং টিম অসিবু লুচিংখিবা ওফিসলশিং অদুদি টিম কোচ ওইনা এ রোমিও, কে ঐচ শমুয়াইঙানবা অমসুং পি সোনিয়ানি হায়না ওল মণিপুর ত্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।


LOAN AVAILABLE

(Tiles, Granites, Marbles, Grazing, Housing Loan etc.)

**Smart City** ওইনবগী পান্দমদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্কী মীওইশিংনা **Smart Home** ওইহনবগী পান্দমদা **L.G. Construction & Material Pvt. Ltd.** না **Free Home Delivery Service** ওইনা **Tiles, Granites, Marbles, Grazing** অমসুং **Housing Loan (Upto 20 lakhs)** লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

**EMPLOYMENT NEWS :-**

**Title Mistry - 10 Nos., Brick Mistry - 5 Nos., Jugalli - 15 Nos., Steel, Alluminium, Iron Solding Mistry - 5+5+5 Nos., Car Driver - 5 Nos., Tata Driver - 10 Nos.**

**L.G. Construction & Material Pvt. Ltd.,** Regd.No. IW/669(s) of 2018

Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West Manipur, L.G. Motrors Building.

Braches at :- Sekmai Koujengleima, Samurou near Machu Hall, Kakching Irum Lamdong, Thoubal Okram, Nambol Phoijing Lamban, Moirang Patlou. Contact No. 8787727402

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)






HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)




HL-B/5028/25/11-201




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com